# এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ান কপতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়া টিমগী ফুটবোল্লর ২৩ গী মমিং লাউথোকখ্রে




ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সি): ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ান কপতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় ২৩ গী মমিং ঙসি লাউথোকখ্রে। শান্নরোই ২৩ না শাবা স্কৱাদ টিম অসিদা মণিপুরদগী হৌখিবী লৈবাক অসিগী ওইনা নুপী ফুটবোল প্লেয়রশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী এক্সপরিয়েন্স লৈরিবী ঙাঙোম বালাদি য়াওরকখিদ্রে।

ওলইন্দিয়াফুটবোল ফেদরেসননা মমিং লাউথোকখ্রবা প্লেয়র ২৩ অদুগী মনুংদা মমাং চহীদা ধাকাদা পাঙথোকখিবা অন্দর-১৯ এসএএফ এফ চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখিবা চহী নৌরিবা প্লেয়র মরী য়াওরি। এস এ এফ এফ চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুরবা অদুগা হন্দক্কী এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ান কপতা শরুক য়ানবগীদমক খল্লকখ্রবা প্লেয়র মরী অদুদি হেমাম সিল্কি (দিফেন্দর), মারিয়ামল (ফোরৱার্দ), সুমাতি কুমারী (ফোরৱার্দ) অমসুং নাউরেম প্রিয়ঙ্কা (দিফেন্দর) নি।

চৎলিবা থা অসিগী ২০ দগী হৌরগা মথং থাগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ান কপ অসিদা শরুক য়াগদবা প্লেয়রশিংগী মমিং লাউথোকখ্রবসু টিম অসিগী কেপটেন কনানা ওইগদগে হায়বদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীয়াম মমাংদা লাউথোকপা লৈত্রি। অদুম ওইনমক ফুটবোল মশান্নদা এক্সপরিয়েন্স লৈরিবী মণিপুরগী লোইতোংবম অশালাটানা কেপটেন ওইরবা য়ানা লৈরি।

অমরোমদা মণিপুরদগী হৌরকখিবী লৈবাক অসিগী ওইনা ফুটবোল মশান্নদা মমিং লৈরবী ঙাঙোম বালাদি হন্দক্কী এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ান কপতা শরুক য়ানবা শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোরকপদা য়াওরকখিদ্রে। ষ্ট্রাইকর ঙাঙোম বালা মমাং চহীগী সেপেটেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা সর্জরি অমনা মরম ওইরগা কপ অসিদা য়াওবা ঙমখিদবনি। মহাক সর্জরি তৌখ্রবসুমপুঙফানা রিকোভর তৌবদা য়ামদ্রবদা থা ৬ চঙগদবনা মরম ওইরগা কপ অসি শান্নবদা শরুক য়াগদবা প্লেয়রশিংগী মমিং লাউথোকপদা য়াওরকখিদবনি।

কপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মমিং লাউথোকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপ্পরদা অদিতি চৌহান (১), মাইবম লিন্থোইঙন্বী (২৩), সোমিয়া নরয়ানাস্বামি (১৯) নি। দিফেন্দরগী ওইনা দালিমা চিবর (১৭), ঙাঙবম স্বিতি (২), রিতু রানি (২১), লোইতোংবম অশালাটা (৪), মাসিনা পানা (৩), হেমাম সিল্কি (৫), সঞ্জু য়াদব (৮) নি। মিদফিল্ডরগী ওইনা য়ুম্নাম কমলা (৬), অঞ্জু তমাং (৯), কারথিকা অঙামুথু (২০), নোংমাইথেম রতনবালা (৭), নাউরেম প্রিয়াঙ্কা (১৪), ইন্দুমাথি কাথিরেসান (১২) নি। ফোরৱার্দকী ওইনা মনিশা কলয়ান (১৬), গ্রেস দাংমৈ (১১), প্রিয়া সাসা (১০), রেনু (১৫), সুমাতি কুমারী (২২), সন্ধীয়া রঙ্গনাথন (১৩), মরিয়ামল বালামুরুগান (১৮) নি। টিম অসিগী হেদ কোচনা থোমাস দেনেব্রিনা ওইরি। কপ অসিদা পুন্না লৈবাক ১২ না শরুক য়াদুনা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরি।

# ওল রাউন্দর খৃস মোরিস শান্নবদগী পোত্থারগনি

কেপ টাউন, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস): সাউথ অফ্রিকাগী ওল রাউন্দর ক্রিকেট প্লেয়র খৃস মোরিস ক্রিকেট মশান্না খুদিংমক্তগী মপুঙ ফানা পোত্থারগনি হায়না মহাক মশানা লাউথোকখিবগা লোয়ননা টাইটানগী কোচ ওইনা থবক তৌবা হৌরগনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক মশাগী ত্বিটর একাউন্টতা মোরিসনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক হৌজিক মখা তানা শান্নবা পামদ্রে। মহাক্কী খোঙগী শরুকশিংদা লৈরিবা অনাবশিং অসিনা মরম ওইরগা ক্রিকেট শান্নবা তোল্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। মশান্না অসিদগী মহাক মশা লাপথোকপদি তৌরোই। সাউথ অফ্রিকাগী নহাশিং মতৌ করম্না শান্নগদে হায়বদু তাকপী তন্বীগনি। মহাক্না শান্নমিন্নরম্বা লৈবাক অসিগী প্লেয়র খুদিংমক মহাক্না ইকায়খুম্ন বা উৎলি। মহাক্কীদমক টিমনা পাঙলকখিবা মতেংশিং কাউদ্রি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি মশাগী চহী ৩৪ শুরবা প্লেয়র অসিনা মহাক্কী কেরিয়রদা সাউথ অফ্রিকাগী মহুৎ শিন্দুনা টেষ্ট ৪, ও দি আই ৪২ অমসুং টি ২০ ইনিংস ২৩ দা মায় পাক্লা শরুক য়াখ্রে। মহাক কুমজা ২০১২ দগী মশান্না অসিদা খোঙদাবা হৌরকখিবনি।

# ইসান পন্দিটাগী পাঞ্জলনা জমসেদপুর এফ সীবু পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা পুখৎখ্রে







জিএমসী, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সি): গোৱাগী জি এম সী এঠলিটিক্স ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুমিদাংপুঙ ৭.৩০ দগী হৌরগা জমসেদপুর এফ সী অমদি এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচকী অরোইবা মতম য়ৌশিল্লক্লবা মতমদা জমসেদপুর এফ সীগী ইসান পন্দিতানা চনখিবা পাঞ্জলনা মেটচ অদুবু ১-০ দা মায় পাকখিবগা লোয়ননা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা অহানবা শান্নবা হৌগৎলকপদগী জমসেদপুর এফ সীনা ইষ্ট বেঙ্গলবু লাকচনা শান্নবা হৌখি। অদুবু ইষ্ট বেঙ্গলনসু জমসেদপুরনা পুশিল্লকখিবা বোল খুদিংমক পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমহন্দনা অরেম্বা তাহনখি। মেটচ অসিগী ১৯ শুবা মিনিটতা জমসেদপুর এফ সীনা য়াম্না ফজবা বোল অমা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈ তম্না পুশিল্লকখি। বেঙ্গলগী গোল পোষ্ট মনাক নক্লা পুশিল্লকখিবা বোল অদু পাঞ্জল ওন্থোক্লবা হোৎনবদা বেঙ্গলগী দিফেন্দরশিংনা হৈনা শিংনা ঙাকথোক্তুনা অরেম্বা তাহনখি। পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবগী খুদোংচাবা মাঙখিবগী ৱাখলদা নুংঙাইতবা পোক্লিঙৈ মরক্তা খঙহৌদনা ইষ্ট বেঙ্গলনা কাউন্টর এটেক অমা চথরকখি। অদুবু চপ মান্নবা মওংদা বেঙ্গলগী এটেক অদুসু অরেম্বদা তাখি। অহানবা হাল্ফ ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙম্নখিদে। অদুবু অনীশুবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইরমদাই মেটচকী ৮৮ শুবা মিটিতা জমসেদপুর এফ সীগী ইসান পন্দিতানা ফজরবা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী ১-০ দা মাঙজিল থাখি। মেটচকী অরোইবা মতম ফাওবদা জমসেদপুরনা চনখিবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী ইষ্ট বেঙ্গল মায়থিখি।

# খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস হরয়ানা-২০২১ য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচ এন এস): চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ৫ দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্লবগীদমক শেম শাদুনা লাকখিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস হরয়ানা-২০২১ কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা য়ৈথোক্লে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা খেলো ইন্দিয়া ২০২১ গী মেম্বর সেক্রেটরি সিবানন্দ মিস্রানা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না, মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা য়াম্না মুন্না খন্নরবা মতুং মথং থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা য়ুথ গেমস অসি য়ৈথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ অমদি হন্দক্তা সাউথ অফ্রিকাদা নৌনা থেংনখিবা লায়না লায়চৎ অসিগী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা চৈথেং পীরক্লিবা অসিগী য়েংলগা য়ৈথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি।

লৈবাক অসিদা হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯ গী ফিভম অসি মপুঙ ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লবা মতুং মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা তানরগা নৌনা মতম অমুক লেপকনি হায়রি। অমরোমদা পনবা য়াবদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা সাইগী ট্রেনিং সেন্টর ৬৭ কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা মতম খরগী ওইনা থিংজিল্লে হায়না ঙরাং ওফিসল ওইনা লাউথোকখ্রবনি।

# দি আর ই এস এস হাউস এফ সীনা জোন এফ সী থোইখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস): থা অসিগী ৫ দগী হৌরগা ইপুধৌ ইকোপ নিংথৌ মরু নোংশাবা শান্নবুঙদা হায়েল য়ং পোপুলর ক্লব, হায়েলনা শিল্লগা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা প্রধান ট্রোফি-২০২২ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দি আর ই এস এস হাউস এফ সীনা জোন এফ সীবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা মথং মেটচকীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুঙ ২.৩০ তাবদগী শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুদা টিম অনীমক্লা অহৌবদা য়াম্না থাক মান্ননা শান্নখি। টিম অনীমক অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে। অদুবু মেটচ অদুগী ২৩ শুবা মিনিটতা দি আর ই এস এস হাউস এফ সীগী মায়কৈদগী জোন এফ সীগী গোল পোষ্ট তম্না য়াম্না হৈনা শিংনা পুখৎলকখিবা বোল অমা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৩ সুরজনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল অমা দি আর ই এস এস হাউস এফ সীনা মাঙজিল থাদুনা চৎখিবা অদু হন্দোক্লবগীদমক জোন এফ সীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু অহানবা হাল্ফকী মতম লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী টিম অনীগী পাঞ্জল ১-০ দা লৈখি।

অহানবা হাল্ফ লোইরবা মতুং অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌগৎলকপদা জোন এফ সীনা দি আর ই এস এস হাউস এফ সীগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনশিন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু দি আর ই এস এস হাউস এফ সীগী মায়কৈদগী জোন এফ সীনা পুশিল্লকখিবা বোলশিং অদু লায়না দিফেন্দ তৌদুনা মখোয়গী পান্দম অদু মায় পাকহনখিদে। সেকেন্দ হাল্ফকী অরোইবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্লা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। এদিস্নেল টাইম ওইনা মিনিট ৩ হাপ্তুনা শান্নখিবা অদুদসু টিম অনীমক্লা পাঞ্জল অমত্তা মখা তানা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা দি আর ই এস এস হাউস এফ সীগী মখুত্তা ১-০ দা জোন এফ সী মায়থিবা নংখিবনি।

# জি এস সী অমসুং এস এস য়ু পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শিন্দুনা হৌজিক হৌজিক লম্প্লোং থোংখোঙদা লৈবা অর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১৪ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ-২০২১ গী ৫৪ শুবা মেটচতা ঙসি জি এস সী, সী সী পুর অমসুং এস এস য়ু শিংজমৈ অনীগী মরক্তা শান্নখ্রে। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অনীমক্লা পাঞ্জল ৩/৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুঙ ২.১৫ তাবদগী হৌরগা শান্নবা হৌখিবা মেটচ অদুগী ২৫ শুবা মিনিটতা জি এস সীগী জর্সি নম্বর ১১ জেসিনা এস এস য়ুগী মায়কৈদা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। এস এস য়ুগী মায়কৈদগী অমুক মেটচ অদুগী ৩০ শুবা মিনিটতা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৯ সী ঐচ কম্মান্দরনা হন্দোকখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ থাগদবা মিনিট খরখক্তমক ঙাইরবা মতমদা জি এস সীগী সৈগৌমাঙ (১৬) না ৪১ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমখিদুনা ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অরোইবা ফাওবদা এস এস য়ু না পাঞ্জল অনী অমদি জি এস সীনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা টিম অনীমক চপ মান্নবা পাঞ্জলদা লৈদুনা দ্রো চৎখি।

# টাইসন এফ সী মায় পাকখ্রে, এফ সী তেন্থা ৱাক ওভর ফংখ্রে

ককচিং, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএসএস): ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন (এ আই এফ এ) ইরেংবন্দনা শীন্দুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ইরেংবন্দ হায় স্কুলগী শান্নবুংদা ৫ শুবা কেশ প্রাইজ ৯ এ-সাইদ ষ্টেট ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১-২২ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টাইসন এফ সী (মন্তক) না আই ৱাই সী খোঙজেমবু ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা এফ সী তেন্থা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

ইরেংবন্দ প্লেগ্রাউন্দদা ঙসি নুংথিল পুঙ ২ তাবা মতমদা এফ সী তেন্থা অমদি এস কে এফ সী সোরা অনীগী মরক্তা শান্নগদবা মেটচ অদু এস কে এফ সী সোরাগী টিম গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌরদবনা মরম ওইরগা এফ সী তেন্থানা ৱাক ওভর ফংখিবনি।

অমরোমদা ঙসি নুংথিল গ্রাউন্দ অসিমক্তদা পুঙ ৩.৩০ দগী টাইসন এফ সী (মান্তক) অমদি আই ৱাই সী (খোঙজোম) অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা টাইসন এফ সীনা পাঞ্জল ১-০ দা আই ৱাই সীবু মায়থিবা পীখিবনি।

টিম অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখ্রবা মতুং অহানবগী হাল্ফ থারমদাই ফাওবা পাঞ্জল অমতা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অদুবু মেটচ অদুগী ২৪ শুবা মিনিটতা টাইসন এফ সীগী জর্সি নম্বর ৩০ লৈভোন জোসেফনা আই ৱাই সীগী মায়কৈদা ফজরবা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু টাইসন এফ সীগী মায়কৈদগী চনখিবা পাঞ্জল অদু আই ৱাই সীনা মেটচ লোইবা ফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী টাইসন এফ সী (মান্তক) না মেটচ অদু ১-০ দা মায় পাকখিবনি।

# রাউনা নিসাবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচ এস এস): হৌজিক হৌজিক তাকয়েল সাইগী অর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ১২ শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়ল সী আর পি এফ, ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১-২২ গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা রাউ অমসুং নিসা টিম অনীগী মেটচতা রাউনা নিসাবু ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অদুগা ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদনা এস এফ সী না এ আই এমবু ৭-২ অমসুং সী এফ এ না কে ৱাই ভি ও এফ সীবু ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

ঙসিগী ওইনা রাউ অমদি নিসা টিমগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা ০-০ দা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফ হৌরবা মতুং ইকান কান্নদনা মেটচ অদুগী ৪৯ শুবা মিনিটতা রাউগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা নিসা তম্না পুদুনা লাকখিবা বোল অমা টিম অসিগী জঙা জাগিন কুকিনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। রাউনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা নিসাগী মায়কৈদগী অকন্নবা মওংদা হোৎনরবসু মেটচকী অরোইবা মতম ফাওবদা ঙমখিদবদগী রাউনা মায় পাকখি।

অমরোমদা ঙরাং এস এফ সী অমসুং এ আই এমগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচতা এস এফ সীনা য়াম্না লাকচনা শান্নখিবদগী এ আই এমবু পাঞ্জল ৭-২ মায়থিবা পীখি। সী এফ এ অমসুং কে ৱাই ভি ওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচকী ওইনা অহানবা হাল্ফকী অপিবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে। অহানবা হাল্ফকী এদিস্নেল টাইমদা সী এফ এনা পাঞ্জল অমা চনখি। মদু কে ৱাই ভি ওনা মেটচকী অরোইবা মতম ফাওবা হন্দোকপা ঙমদবদগী মায়থিহৌখি।

# নুপাগীদা ঐচ য়ু, ৱাই সী সী আই সী, বি ঐচ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচ এন এস): মণিপুর হোকিগী মীৎয়েং মখাদা হোকি প্লেয়র্স দিবলপমেন্ট টিমনা শিন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী খুমন লম্পাক্তা শান্নবা হৌখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল হোকি টুর্নামেন্ট য়ু-১৬ মেন এন্দ য়ু -২০ ৱিমেন, ২০২২ গী ঙসি শান্নখিবা মেটশিংদা নুপাগী ওইনা ঐচ য়ু, ৱাই সী সী আই সী অমদি বি ঐচ মায় পাকখ্রে অদুগা নুপীগী ওইনা আইদেল ক্লব মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুঙ ৮.৩০ তাবদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা মেটচতা ৱাই সী সী আই সী, কোন্থা অহল্লুপ অমসুং কে সী দি ও, কোংপাল অনীগী মরক্তা শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা ৱাই সী সী আই সীনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল অমগা অমুক চনবা ঙমদুনা ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্লা পাঞ্জল অমমম্ চন্নদুনা ৪-১ দা লৈখি। মরীশুবা ক্বার্টরদা কে সি দি ওনা পাঞ্জল অমগা হন্দোকপা ঙমদুনা ৪-২ দা লৈখি। অদুবু মেটচ অদুগী অরোইবা মরীশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা কে সী দি ওনা মখা তানা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী ৱাই সী সী আই সীনা ৪-২ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুঙ ১.১৫ তারকপা মতমদা বি ঐচ বিষ্ণুপুর অমদি এম এল ঐচ এ, লংথবাল অনীগী মরক্তা শান্নখি। নাকল অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা বি ঐচনা এম এল ঐচ এবু ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

নুংথিল পুঙ ২.১৫ তাবদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা মেটচ ওইনা ঐচ য়ু, লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমদি কে ঐচ ঐচ এ টিম অনীগী মরক্তা শান্নখি। মদুদা ঐচ য়ুনা কে ঐচ ঐচ এবু পাঞ্জল ৬-২ দা মায়থিবা পীরমখিবনি।

অমরোমদা নুপীগী ওইনা ঙসি আইদেল ক্লব অমসুং বি ঐচ বিষ্ণুপুর অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নখি। মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্লা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। অদুবু অনীশুবা, অহুমশুবা অমদি মরীশুবা ক্বার্টরদা আইদেল ক্লবনা থংন-থংননা পাঞ্জল ৬ চনশিন্দুনা বি ঐচ বিষ্ণুপুরবু ৬-০ দা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীদুনা মথং রাউন্দগী শেম শাবা হৌখ্রে।

# ভিবোগী মহুৎ টাটা গ্রুপনা স্পোন্সর তৌরগনি

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সি): চহী অসিদগী হৌরগা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী স্পোন্সর চাইনিজ মোবাইল মেনুফেকচরর ভিবোনা তৌরম্বা অদু লৈবাক অসিগী অচৌবা ব্যুজিনেস গ্রুপ অমা ওইরিবা টাটা গ্রুপনা তৌরগনি হায়না আই পি এলগী চেয়রমেন ব্রিজেস পাটেলনা ফোঙদোরক্লি। টাটা গ্রুপকী ৱাঙাংলোয় অমনসু ৱাফম অসি কনফার্ম তৌখিবগা লোয়ননা মতম শাংনা স্পোন্সর তৌনবা পান্দম থল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি কুমজা ২০১৮-২০২২ ফাওবা ভিবোনা আই পি এল স্পোন্সর তৌবা হায়না য়ানখিবনি। অদুবু হৌখিবা কুমজা ২০২০ দা গালৱানদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনা লৈবাক অনীগী মরক্তা কা হেন্না উংখৎনবগী থৌদোক অমা থোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা হিরম অসিদা চাওনা চৈথেং পীবা হৌরকখিবনি।

# এষ্টন ভিল্লা মায়থিবা পীদুনা মেনচেষ্টর ৪শুবা রাউন্দ চঙখ্রে




মেনচেষ্টর, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সি): এফ এ কপকী অহুমশুবা রাউন্দগী ওইনা ঙরাং নুমিদাং য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা ওল্ড ট্রাফোর্দ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদ অমদি এষ্টন ভিল্লা টিম অনীগী মেটচতা মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদনা এষ্টন ভিল্লাবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা মরীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী হৌগৎলকপদা মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অসিগী ৮ শুবা মিনিটতা মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদকী মিদফিল্ডর ফ্রেদনা পাস তৌরকখিবা ফজরবা বোল অমবু টিম অদুগী স্কোট মেকটোমিনেনা হেদ তৌশিন্দুনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি।


ফার্ষ্ট হাল্ফকী অরোইবা মতম ফাওবদা এষ্টন ভিল্লাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখিদে। অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবা হৌখ্রবা মতুং এষ্টন ভিল্লানা কাউন্টর এটেকশিং চথদুনা মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখি। মেটচকী ৫৯ শুবা মিনিটতা এষ্টন ভিল্লাগী ফোরৱার্দ প্লেয়র দেন্নিনা সোট অমা মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদা কাউশিনখি। অদুবু মদুগী মাঙওইননা রেফ্রিনা ওফসাইদকী ফ্লেগ থাঙ্গৎপনা হানখিবদগী পাঞ্জল অদু অরেম্বা তাখি।



HL-B/7334/4/12-1/2

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

## PUZZLE NO. 344



**GM Ovetchkin, Roman (2518) - FM Plotnikov, Pavel (2297)**
**Titled Tuesday 19th Oct chess.com INT (6), 2021.10.19**

1.d4 Nf6 2.c4 g6 3.Nc3 Bg7 4.Nf3 O-O
5.Bg5 d6 6.e3 h6 7.Bh4 Nbd7 8.h3 c6
9.Be2 e5 10.Qc2 Qc7 11.Bg3 Re8 12.O-O Nh5
13.Bh2 Qb6 14.c5 dxc5 15.dxe5 Nxe5 16.Na4 Qa5
17.Nxc5 Nxf3+ 18.Bxf3 Nf6 19.a3 Qb6 20.Rad1 Nh7
21.b4 Ng5 22.Be2 Bf5 23.Qc1 Rad8 24.Na4 Rxd1
25. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 343 Ans. :**
15. ...Qg5 16. Nxc7 Bg4 17. f3 Bh3 18. Re2 Nf6 19. Kh1 Rad8 20. gxh3
16. Rxe4 c6 17. Nc7 Bf5 18. Re1 Rac8 19. Qxd6 cxb5 20. Qxe5 Qg6 21. Nd5 Bh3 22.Ne7#
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com